# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহমেদবাদতা নেসনেল কমন মোবিলিটি কার্দ হৌদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৫ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাকসিগী মফম পূন্নমক্তা চৎপগী ভারা পীবদা শিজিন্নবা য়াবা পেমেন্ট কার্দ অমা হৌদোকখ্রে। নেসনেল কমন মোবিলিটি কার্দ (এন সি এম সি) কৌবা কার্দ অসি ট্রান্সপোর্টকীদমক লৈবাক অসিগী অহানবা মশানা পুথোকচবা পেমেন্ট সিষ্টেমনি।

নেসনেল কমন মোবিলিটি কার্দ (এন সি এম সি) অসি বেঙ্কনা ইসু তৌবা দেবিট, ক্রেদিট নৎত্রগা প্রি–পেইদ কার্দ অমনি। মসি মেট্রো, বস, সবরবান রেলৱেজ, টোল, পার্কিং, স্মার্ট সিটি অমসুং রিটেল য়াওনা ট্রান্সপোর্ট ফেসিলিটি পূন্নমক্কীদমক্কী পেমেন্টশিংদা শিজিন্নবা য়াগনি।

ঙরাং অহমেদাবাদ মেট্রো ট্রেন সার্ভিসকী অহানবা তাঙ্কক অদু শঙ্গাবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা এন সি এম সি অসি হৌদোকখিবনি।




কার্দ অসি রুপে কার্দতা শিজিন্নগনি অমসুং ট্রেভেলগা মরি লৈনবা খুদোঙচাদবা পূন্নমক মসিনা কোকহল্লগনি। ঐখোয়না মেট্রো, বস, নৎত্রগা ট্রেন, নৎত্রগা টোল অমসুং পার্কিংগী শেন পীবদা অচোইবা লৈতবগী খুদোঙচাদবা কয়া ময়োক্নরি। মসি কোকহন্নবগীদমক ওটোমেটিক ফিয়ার কলেক্সন সিষ্টেম অমা হৌদোকপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা সিষ্টেম অসি মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপনি। সিষ্টেমশিং অসি তোঙান –তোঙানবা মরিলৈনবা থবকশিংগী মীওইনা শাবা ওইবনা সিটি অমদা পীবা কার্দ অমনা অতোপ্পা সিটি অমদা চৎনদে মরম অদুনা ঐখোয়না তোঙান –তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিং, দিপার্টমেন্টশিং অমসুং বেঙ্কশিংদা ফাওবা খুদোঙচাদবশিং অসি লৈহন্দনবা খঙহনখ্রে।

হৌজিক 'ৱান নেসন ৱান কার্দ' কী ঐখোয়গী মঙলান অদু মঙফাওনরে। কমন মোবিলিটি কার্দ অসি শিজিন্নদুনা মীয়াম্না শেন লৌথোকপসু য়ারগনি। রুপে কার্দ অসি লৈবাকসিগী মফম অমদা হেক্তা মেট্রোশিংদা চৎনবগীদমক শিজিন্নবা য়াগনি। ইচম চাম্বা মওংদা ঐখোয়না রুপে কার্দকা মোবিলিটি কার্টকা পূশিন্নখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# চিনানা দিফেন্সকী চাদিং ২০১৮দগীদি হস্থনা, চাদা ৭.৫ হেনগৎপা শেনফম ঙসি লাওথোকখ্রে

*বৈজিং, মার্চ ৫ঃ*

চিনানা ঙসি মখোয়গী ২০১৯দা মিলিটরিদা চাদিং তৌগদবা শেনফম চাদা ৭.৫ হেনগৎপা শেনফম অমা লাওথোকখ্রে। লৈবাক অসিনা ইকোনোমিক্কী খোঙজেন তপথবগী ফিভম অমা ময়োক্নখিবনা হেনগৎলিবা পার্সেন্টেজ অসি মমাঙ চহীদগীদি হস্থরি, অদুবু মসিনা এসিয়াগী য়ূম্লোন্নবশিংবু হৌজিকসু অদুম্মক মিপাইনহল্লি।

লাম্মী লাক্ষ ২০গী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)বু খ্বাইদগী ফবা মিলিটরি হার্দৱায়ার পীনবা থবক চথরি। ষ্টেল্‌ঠ ৱারপ্লেনশিংদা, এয়ারক্রাফ কেরিয়ারশিংদা, অতৈ খূৎসু–খূৎলাইশিংদা অচৌবা শেনফম থাদরি।

মশা মতোমতা লৈঙাকলিবা টাইৱানদা চিনাদগী তোখাই তাদুনা মনীংতম্বগী ঈহৌগী ময়োক্তা বৈজিংনা অকনবা ৱা ঙাংবসু হেনগৎলক্লি অমসুং য়েৎনরিবা সাউথ চিনা সি অমসুং ইষ্ট চিনা সিদা পাক চাওরবা টেরিটোরিশিং মখোয়গীনি হায়না মখা তানা ফিরেপ লৌরি।

নেসনেল পিপলস কোংগ্রেস (এম পি সি)গী চহীগী মীফমগী



হৌরকপদা পুথোক্লিবা গভর্ণমেন্ট রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না ২০১৮দা দিফেন্সতা থাদবা শেনফম চাদা ৮.১দা হেনগৎতুনা পূন্না য়ুৱান ট্রিল্লিয়ন ১.১১ ওইখিবা অদুগী মতূং ২০১৯দা গভর্ণমেন্টনা দিফেন্সতা য়ুৱান ট্রিল্লিয়ন ১.১৯ (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৭৭.৬) চাদিং তৌরগনি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা আর্মি ওইরিবা চিনাগী মিলিটরিগী চাদিং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হেক মথঙদা খ্বাইদগী য়াম্বদা অনীশুবনি। ২০১৯গী য়ু এসকী দিফেন্স বজেৎ অসি দোল্লর বিল্লিয়ন ৭১৬নি।

কম্যুনিষ্টনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা আর্ম ফোর্সশিংবু পোলিটিকেল লোয়েল্টি শোয়দনা লৈহন্নবা হেন্না কনবা খোঙথাংশিং লৌখৎখিগনি হায়না পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর ৩,০০০ লোমদা পীবা ৱারোল অমদা প্রেমিয়র লি কেকিয়াংনা হায়খি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা সেপ্থুরি অসিগী ময়াই চনশিল্লকপা ফাওবদা পি এল এবু ৱার্ল্ড ক্লাস মিলিটরি ওইহন্নবা ৱাশকখি। মহাক্না আর্মিবু কম্বেট–রেদি ওইনবা হন্না হন্না অপিল তৌখি।

নেসনেল পিপলস কোংগ্রেসগী ৱাঙাংলোই ঝাং য়েসুইনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা চিনাগী মিলিটরিগী চাদিং অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কিহন্নিংঙাই ওইরোই অমসুং মসি সোভরেন্টি অমসুং সেক্যুরিটি লেঙদনা থন্নবগী পান্দমনি হায়খি।

বৈজিংনা মিলিটরিদা থাদরিবা শেনফম অসি য়ু এসতগীদি য়ান্না হন্থরবসু অতৈ লৈবাকশিংদগীদি হৌজিকসু য়ান্না হেল্লি।

ইন্টরনেসনেল ইনষ্টিট্যুট ফোর ষ্ট্রেটেজক ষ্টদিজ (আই আই এস)কী মতূং ইন্না ২০১৮দা দিফেন্সতা খ্বাইদগী য়ান্না শেন থাদবা অহুমশুবা ওইরিবা সাউদি অরাবিয়া (দোল্লর বিল্লিয়ন ৮২.৯)দগী শরুক ২ হেন্না, রসিয়া (দোল্লর বিল্লিয়ন ৬৩.১) অমসুং ইন্দিয়া (দোল্লর বিল্লিয়ন ৫৭.৯)তগী য়ান্না হেন্না চিনানা দিফেন্সতা শেন থাদরি।

# ৱাহংশিং হংনরকখিবদগী বলাকোটতা শিরিবা মশীংগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টর তুমিন্না লৈরম্বদগী ৱা ঙাংলকখ্রে




*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৫ঃ*

পাকিষ্টানগী বলাকোটতা টেরর ট্রেনিং কেম্প অমদা পান্দম থমদুনা চথখিবা ফেব্রুৱারি ২৬কী এয়ার এটেক অদুদা শিখিবা টেরোরিষ্টকী মশীংগী মতাংদা ৱাহংশিং হংনরক্তুনা চথরিবা দিবেট অদুদা হান্না তুমিন লৈরম্বা দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমন ঙসি ৱা ঙাংলকখ্রে।

এয়ার এটেকশিং অদুনা পীবা ঙমখিবা ফলগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল ফোঙদোক্নবা ওপোজিসন দিমান্দশিংগী মরক্তা এয়ার ফোর্স, বি জে পি অমসুং গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা চয়েৎনবা ৱাথোক অমা থোকহল্লকখি।

এয়ার এটেকশিং চথখিবা নুমিৎ অদুদা বিজয় গোখলেনা থমখিবা পাউদম অদু পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোরেন সেক্রেটরিনা ষ্টেটমেন্ট অদু পীখ্রে, মদু এটেক অদুগী মশীংনি হায়খি।

অদুম ওইনমক ফোরেন সেক্রেটরিনা মশীং অমত্তা পীখিবদি লৈতে। মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, ওপরেসন অসিদা জে ই এম টেরোরিষ্ট, ট্রেনরস সেনিয়ার কমান্দরস অমসুং ফিদায়েনগী থবক্কীদমক ট্রেনিং তৌরিবা জিহাদি গ্রুপশিংগী মশীং য়ান্না হাৎখ্রে।

এয়ার ফোর্সনসু শিবগী মশীং অমত্তা পীখিদে। এয়ার ফোর্সনা অশিবগী মশীং থীদে। মনূংদা মীওই কয়া লৈ হায়বদু শেঙদোক্নবগী এয়ার ফোর্সকী ফিভম অমত্তা লৈতে। ঐখোয়না মী শিবগী মশীং থীদে। ঐখোয়না থাখিবা নৎত্রগা থাখিদবা টার্গেটশিং ঐখোয়না মশীং থী হায়না এয়ার চীফ মার্শেল বি এস ধনোৱানা ঙরাং হায়খি।

অদুবু ঙরাং বি জে পি চীফ অমিত শাহনা হৌখিবা চয়োলগী এয়ার এটেকতা টেরোরিষ্ট ২৫০ হেন্না হাৎখ্রে হায়খি। মহাক্কী ৱাফম অদু ওপোজিসননা থুনমক ৱাহং হংখি। মদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভি কে সিনহনা অমিত শাহগী ৱাফম অদু চপ–চানা লেপ্পবা মশীং নৎতে, মদু চাওরাকপা অমনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখি।

এয়ার এটেক অদু ইলেক্সন নকশিল্লকপসিদা চথবনি হায়না ৱাখলনা শাগৎলিবশিং অদু তুমিন লৈনবা দিফেন্স মিনিষ্টর সিতারমনা হোৎনখি। এয়ার এটেক অদুগা ইলেক্সনগগী মরক্তা করিগুম্বা মরি অমত্তা লৈনদে। এটেক অদুদি ইন্দিয়াদা এটেক তৌনবগীদমক পাকিষ্টানদা টেরোরিষ্টশিংগী থবক চথবগী মতাংদা ফংবা ইন্টিলিজেন্সতা য়ুমফম ওইবনি। মদু মিলিটরি এক্সন অমা নৎতে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

# রসিয়ানা নোর্থ কোরিয়াদা গেহু টোন ২,০০০ থাখ্রে



*পিয়োংয়াং, মার্চ ৫ঃ*

চিঙ্গাক ৱাৎপগী অরুবা ফিভম ময়োক্নরিবা নোর্থ কোরিয়াদা মতেঙ পাংনবা হ্যুমেনিটেরিয়ান এইদ ওইনা গেহু টোন ২,০০০ হেন্না লৈবাক অদুদা থাখ্রে হায়না রসিয়ান ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

তেঙবাং অদু ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা চোংজিনদা থুংলরে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী কোনূং পিয়োংয়াংদা রসিয়ান এম্বেসিনা পাউ পীরকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী মীয়াম চানবা চিঙ্গাক ফঙদবগী ফিভমদা লৈরে। অঙাং ৫গী মনূংদা অমদি মতম শাংনা মচি ওইবা চিঙ্গাক চাবা ফঙদ্রে। লৈবাক অসিগী অপূনবা মশীংগী চাদা ৪৩ রোম চরাহেনবগী খুদোঙ থিনিংঙাই থাক য়ৌরে হায়না হৌখিবা থাদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রবনি।

নোর্থ কোরিয়ান ৫,১৩,০০০ রোমদা মতেঙ পীননবা দোল্লর মিল্লিয়ন ১০গী চাংদা হ্যুমেনিটরিয়ান এসিষ্টেন্স য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মথৌ তাগনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থল্লিবা সেঙ্কসনশিংনা লৈবাক অদুদা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতেঙ পীবদসু অপনবা থোকহল্লি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম তোক্নবগী থবক, থবক অদু লৈবাক অসিনসু লৌখৎখ্রবা অদুগীদমক মহুৎ ওইনা সেঙ্কসনশিং হন্দোক্নবা নোর্থ কোরিয়না হন্না হন্না অপিল তৌখ্রবনি। য়ু এসকী দোনাল্ড ট্রম্পকা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উনগা হৌখিবা থাদা ভিয়েটনামগী হানোইদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোকপগী মতাংদা য়ানবা অমত্তা পুরকখিদবনি।

## ওপোজিসন লিদর গুৱাইদো ভেনেজুয়েলাদা হল্লকখ্রে

*করাকাস, মার্চ ৫ঃ*

ভেনেজুয়েলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাজ মাদুরোগী গভর্ণমেন্টনা ফানবগী কীহনবা থওইদনা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদো ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা করাকাসতা অমুক হল্লকখ্রে অমসুং মহাকপু শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়ানা ওকখ্রে।

ঐখোয়না ময়োক্নরিবা খুদোঙথিবশিং অদু ঐখোয়না খঙই মদুনা ঐখোয়বু কৈদৌঙৈদা থিংবা ঙমলোই। মসি দিক্টেটরসিফকী গভর্ণমেন্ট অসিনা খঙ্গদবনি হায়না লৈবাক ৫০ হেন্না এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখ্রবা গুৱাইদোনা হায়খি।

# বোর্দ একজামশিংদা দিষ্টিঙ্কসন ফংখ্রবা অফজাল গুরুগী মচানুপানা মপান্দা মহৈ তম্নবা পাসপোর্ট পাম্লি

*শ্রীনগর, মার্চ ৫ঃ*

ক্লাস টুয়েল্ফ একজামিনেসনদা দিটিঙ্কসনগা লোয়ননা পাস তৌখ্রবা পার্লিয়ামেন্ট এটেক কনভিক অফজাল গুরুগী মচানুপানা মহাক মপান্দা মহৈ তম্বা চৎপা পাম্বনা পাসপোর্ট অমা পাম্মি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

গালিব গুরুনা সুপ্নগী চহী ২খত্তা ঙাইরিঙৈদা মহাক্কী অপোকপা মপা অফজাল গুরু ২০০১ পালিয়ামেন্ট এটেকতা চেন্নবগীদমক ২০১৩দা ফাঁসি তৌখিবনি।

মহাকপু স্কোলারসিপ পীনবা মপান লৈবাক্কী কোলেজ কয়ামরুপ্না থৌরাং তৌরে হায়রদুনা গালিব গুরুনা পাসপোর্ট অমা পীনবা অপিল তৌরি। মাগী অধার কার্দসু লৈবা মরম্না পাসপোর্ট অমা শোয়দনা ফংগনি হায়না থাজবা ফোঙদোক্লি। মহাক মেদিসিন তম্নিংবগী অপাম্বা লৈ।

ঐহাক্না পাসপোর্ট অমা ফংনবগী অপিল তৌরি। ঐগী আধার কার্দ অমসু লৈ। পাসপোর্ট অমা ফংলবদি ঐহাক্না ইন্টরনেসনেল মেদিকেল স্কোলারসিপ ফংবা ঙমগনি হায়খি।

জম্মু এন্দ কাস্মির বোর্দ ওফ স্কুল এদুকেসনগী একজামদা গালিব গুরুনা চাদা ৮৮কী মার্ক ফংখি। ক্লাস টেন একজামিনেসনদসু সবজেক ৫মক লোয়না গ্রেদ এ১গা লোয়ননা চাদা ৯৫ ফংখি।

মাগী থাক ৱাংলবা একাদেমিক পার্ফেমেন্স অদুদা সোসিয়েল মেদিয়াদা গালিব গুরুগীদমক নুঙাইবা ফোঙদোকপগী মেসেজশিং মশীং খঙদনা থারকখি।

মহাকপু কনাগুম্বা অমগী মচানুপানি হায়না খনগদবগী মরম করিনো হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা ৱাহং কয়া হংনরকখি। অতৈগা চপ মান্নানা মহাকপু লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইনা লোয়নগদবনি। অতোপ্পা খরনা মহাক্না খুন্নাইগী পূন্সিদা হীংবা উবদা থোইদোক হেন্দোক্নবা নুংঙাইবা পোকই হায়খি।



পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)চীফ মেহবুবা মুফতিনা সেসিয়েল মেদিয়াদা অঙাং অমবু মাগী মপানা তৌখিবা থবকশিংগীদমক অরুম্বা চৈনা পুহন্দুনা অৱাবা তাহনগদৌরিবগী মরম করিনো হায়খি। মহাক্কী মচানুপাদি মীথোই –মীহেল্লবা মহৈরোই অমনি অমসুং অচম্বা পূন্সি অমা লেন্নবা মহাক্কীসু হক খুথিংমক লৈ হায়না পি দি পি চীফ অসিনা হায়খি।

ঘালিব অফজাল গুরুনা ফ্লাইং কলরস –৪৪১ মার্ককা লোয়ননা মাগী টুয়েল্ফ ক্লাস একজাম মায় পাক্লকখিবদা নেসনেল কনফরেন্সকী ৱাঙাংলোই শরাহ হয়াতনসু নুংঙাইবা ফোঙদোক্লকখ্রে। তূংদা হোৎনবা পূন্নমক মায় পাকপা ওইরসনু, মশেক–মঙাল লৈনা চাওখৎপা ওইয়ু হায়না শরাহ হয়াতনা হায়খি।

# আই এসকী অরোইবা মফম ঙাক্নবা কন্না হোৎনরি

*বাঘৌজ, মার্চ ৫ঃ*

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা স্নাইপরশিং, গাইদেদ মিশাইলশিং শিজিন্নদুনা অমসুং খঙহৌদনা টন্নেল এটেকশিং তৌদুনা নোংপোক থংবা সিরিয়াদা মখোয়না হৌজিক পায়দুনা লৈরিবা অরোইবা অপীকপা লম মচেৎ অমদা খাংদুনা লৈননা তঙাই ফদনা লানথেংনরি।

মিলিটেন্টশিং অসিনা অসুন্না অকনবা মওংদা শিখাং খাংদুনা থিংদুনা লৈরকখিবা অসিদা তঙাই ফদনা য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন অমসুং মসিগী এলাইশিংনা এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অসিনা পায়দুনা লৈরিবা মফম অদু লৌশিন্নবা অরোইবা খোঙথাংদা নোংমাইজিং নুমিৎতা অকনবা এটেক চথখি।

মফম কয়ামুক্তা য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন্না নোংথক্তগী বোমশিং থাদখিবগী মতূংদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা পায়দুনা লৈরিবা খূঙ্গং অদুদগী



অমুবা মৈখু চবুন চবুন কারকখি। মিলিটেন্টশিংনা লৈরিবা টেন্টকী কেম্প অমদা য়েংথরক্লিবা চীং অমদগী মোর্টর রাউন্দশিং নুমিদাংদা কাপথরকখি।

য়ু এসনা ঙাকলৌ পীরিবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সেস হায়না কৌবা ফোর্স অসিনা মফম অদুদগী মীচমশিং চেনথোকখিনবগী চয়োল অনী থৌরাং তৌদুনা লৈরকখ্রবগী তূংদা ইরাইগী নুমিদাংদা মফম অদু অমুক লৌশিন্নবা এটেক অমা নৌনা চথখি।

হায়রিবা মফম অদু অমুক হন্না লৌশিল্লবদি মতম অমদা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা পাকচাওরবা টেরিটোরিদা শক্তি লৈরম্বা আই এসকী ইস্লামিক খালিফেট অদু লোয়শিন্নবা চহী ৪গী মাঙ–তাকপগী লান অসিদা অচৌবা শিংথানিঙাই খোঙথাং অমা ওইরগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা আই এস মিলিটেন্ট ১০গী গ্রুপ অমনা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সকী সেনিয়ার কমান্দর অকীদকী য়ুনিট অমদা এটেক তৌরকখি। নুপী ৪ য়াওবা মিলিটেন্ট ১০ অদু টন্নেল অমগী মনূংদগী থোরকখি। অদুবু মখোয় সিরিয়ান ফোর্সকী নোংমৈ ময়োক্নখি। য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ৪ শিখি অদুবু অতৈদি নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

# মোদি থাগৎপগীদমক হান্নগী লো মেকর পার্টিগী মরুওইবা ফমদগী লৌথোকখ্রে

*মুম্বাই, মার্চ ৫ঃ*

থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহারাস্ত্র চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবীজ থাগৎখি হায়বগীদমক কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ান (মার্ক্সিষ্ট) লূচিংবা অমবু পার্টিসিগী সেন্ট্রেল কমিটিদগী লৌথোকখ্রে।

হান্নগী সি পি আই (এম) এম এল এ নরসয়া অদামনা জনুৱারি থাদা মহারস্ত্রা ষ্টেট এসেমব্লিদা মহাক্না হান্না এম এল এ ওইনা কারম্বা সুলাপুর দিষ্ট্রিক্তা হাউসিং প্রোজেক অমা অথুবা মতমদা অয়াবা পীবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর ফদনাবিজবু থাগৎখি।

মদুদা নৎতনা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু মথঙগী তার্ম অমগা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা ওইসনু হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

অসুম্বা থাগৎপা অসি সি পি এম গী পোলিসিগী ময়োক্তনি মরম অদুনা পার্টিগী সেন্ট্রেল কমিটিদগী মহাক্পু থা ৩ সস্পেন তৌনবা ৱারেপ অমা লৌখ্রে হায়না পার্টিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল কমিটিনা লেফ্‌ত পার্টি অসিগী মরুওইবা ৱারেপ লৌবা বোদিনি। হীরম অসিগী মতাংদা মিষ্টর অদামগী মত লৌনবা হোৎনবদা মহাক ফঙখিদে।

## দি এম কেগা সি পি এমগা সিট য়েন্নখ্রে

*চেন্নাই, মার্চ ৫ঃ*

লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা তামিল নাদুদা দি এম কেগা সি পি আই (এম)গা সিট য়েন্নবগী য়ানবা অমা পুরকখ্রে। তামিল নাদুগী সিটি ৩৯গী মনূংদা সি পি এম না লোক সভা সিট ২ কন্টেষ্ট তৌরগনি।

চেন্নাইদা দি এম কে হেদক্বাটরসতা পার্টিগী প্রসিদেন্ট এ কে স্তেলিনগা সি পি এম গী ষ্টেট সেক্রেটরি কে বালাকৃষ্ণনগা ৱারী শান্নরবা তূংদা য়ানবদু পুরকখিবনি হায়রি।

# কোংগ্রেসনা বি জে পিদা তেঙবাংই ঃ অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৫ঃ*

কোংগ্রেসনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গা মীখলদা পূন্না থেঙনমিন্নদনবা ঙসি ৱারেপ অমা লৌখিবদগী এ এ পি চীফ অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা কোংগ্রেসপু বি জে পিদা তেঙবাংবগী মরান শিংখ্রে।

এ এ পিগা এলায়স তৌনদনবগী ৱারেপ অদু ষ্টেট কোংগ্রেসনা মত অমত্তা ওইনা চপ মান্না লেপ্পবা অমসুং পার্টি চীফ রাহুল গান্ধীনা অয়াবা পীরকখ্রবা ৱারেপ অমনি হায়না শৈলা দিক্সিতনা ফোঙদোকখিবগী মিনিট খরগী তূংদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মাগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

দিল্লিগী লোক সভা সিট ৭কী মনূংদগী ৬কী কেন্দিদেটশিং হান্নানা লাওথোকখ্রবা এ এ পিনা কোংগ্রেসতা সিট ২ পীনবা থৌরাং তৌখিবনি হায়খি। দিল্লিদা মহাক্কী পার্টিগা পূনবদা কোংগ্রেসনা য়ানীংদবা মতৌ অদু উবদা মখোয়দা হন্না হন্না হায়বা পামদ্রে হায়না মিষ্টর কেজ্রিৱালনা হান্ননসু ফোঙদোকখ্রবনি।

লৈবাক পূম্বসিনা মোদি–শাহ জুরাবু মায়থিবা পীবা পাম্লিঙৈগী তাঙ্ক অসিদা কোংগ্রেসনা এন্টি–বি জে পি ভোতপু মচেৎ থুগাইদুনা বি জে পিদা মতেঙ পাংলি। দিল্লিদা ঐখোয়না কোংগ্রেস –বি জে পি এলায়ন্সকী ময়োক্তা মীখল থেঙননবা থৌরাং তৌরে হায়না কেজ্রিৱালনা হায়খি।

## কোংগ্রেসনা রাজস্থানগী সিট ২৫মক্তা মীরেপ থাদোক্কনি

*জৈপুর, মার্চ ৫ঃ*

রাজস্থান কোংগ্রেস চীফ সচিন পাইলোটনা লাক্লিবা মীখল অসিদা ষ্টেট অসিগী লোক সভা সিট ২৫মক্তা পার্টি অসিনা মীরেপ থাদোক্কনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীরেপ ওইগদবশিং খনবগী থবক অরোইবা তাঙ্ককতা লৈরে। ন্যু দিল্লিদা মার্চ ৮দা স্ক্রীনিং কমিটিগী মীফম মতূংদা মীরেপ খরদি অশেঙবা খঙলগনি। পার্টি ৱার্করশিংনা থাগৎলকপা ৱাফম, থবক কনবা অমসুং মায় পাক্লিঙাই ওইবগী য়ুমফমদা মীরেপ খনগনি হায়না মহাক্না হায়খি। লূচিংবশিংগী ইমূংগী মী নৎতবা, এম পি অমসুং এম এল এ শিং ওইরিবা নৎতবা অমসুং মমাঙদা মীখলদা মায়থিখিবা নৎতবা নোমিনিশিং ফঙগনি হায়না পার্টিনা অশা তৌরি হায়খি।

অরোইবা মমিং অদু লেপ্পবা পার্টিগী সেন্ট্রেল কমিটিদা মীরেপ ৩গী লিষ্ট অমা থাগৎখ্রে হায়না পাইলোটনা হায়খি।

সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা হৌখিবা চহী ৫দা দেমোক্রেটিক ইনষ্টিট্যুসনশিংবু মপাঙ্গল শোম্বহল্লে। মসিবু মায়থিবা পীনবা কোংগ্রেসনা ইলেক্সন থেঙনগনি মরম অদুনা ঐখোয়গীদমক মসি য়ান্না মরুওইরবা ইলেক্সন অমনি হায়খি।

মমাঙগী ২০১৪গী জেনরেল ইলেক্সনদা রাজস্থানদা লৈরিবা লোক সভা সিট ২৫ অসি লোয়নমক বি জে পিনা ফঙখিবনি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-58**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | | 5 | | 2 | 1 |
| 9 | | 1 | | 8 | | 5 | | |
| | | 2 | 7 | | | | 9 | 8 |
| | 9 | | | 2 | | 7 | 8 | |
| 2 | 4 | | 3 | | | | | 9 |
| 1 | | 8 | 9 | | | | 5 | |
| 8 | 7 | | 5 | | | | | 2 |
| | | | | 7 | 9 | | | 5 |
| | 1 | | | | 2 | 9 | | |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 05/01/19
Valid : 02/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 23/01/19
Valid : 21/01/19
Stk : 612

**Hiyangthang Indane**
Booking : 07/01/19
Valid : 05/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 07/01/19
Valid : 24/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Phayeng Indane**
Booking : 16/02/19
Valid : 06/02/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 12/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 12/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**T D K Gas Service**
Booking : 02/01/19
Valid : 26/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**সনা–সুদোকু –৫৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 3 | 5 |
| 4 | 6 | 7 | 2 | 3 | 5 | 8 | 9 | 1 |
| 5 | 1 | 3 | 9 | 8 | 7 | 6 | 2 | 4 |
| 8 | 7 | 4 | 5 | 2 | 9 | 3 | 1 | 6 |
| 9 | 5 | 6 | 3 | 4 | 1 | 2 | 8 | 7 |
| 1 | 3 | 2 | 7 | 6 | 8 | 5 | 4 | 9 |
| 3 | 2 | 1 | 6 | 7 | 4 | 9 | 5 | 8 |
| 6 | 4 | 5 | 8 | 9 | 3 | 1 | 7 | 2 |
| 7 | 9 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 | 6 | 3 |